# জিরিবাম চম্পানগর ম্যুজিয়মদা নোংপোক পানা পনখৈ তেঙ্গোল লাকপা লোয়শঙ হাংদোকখ্রে



— মুতুম শান্তি —
(শোখরবশিংদা কখোকচরি)

হৌজিক লানবুং ওইরিবা জিরিবামদা 'সটজাল' গী নোংপোক পানা হাংদোকপীখিবা হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচৈ। ইমা লৈবাকপু মচেৎ কয়া থোক্লা থুগায়নবা হোৎনরিবা য়েক্নবগী মখূৎতগী কঞ্জবা হায়বসি ঐখোয়গী থৌদাংনি। পোল্লফম ইমাগীদক কখোকপগা লোয়ননা চোঙথোরল্লিবা খুদিংমক মীতৈগী ঈ অশেংবা ঙাক্তনি। মীওইবা ঐখোয় ৱাখলনা হিমায় চুমদুনা চৎলিবা, পূন্সিগী লানফম কয়াদা মায়োক্নরি। মায়োক্নরিবা খুদিংমক ঐখোয় মীওইবগী খোঙচৎনি হায়রি। থেংনরিবা খুদিং মীওইবা কৌবা ঐখোয়না অচুম্বা, অফবা মায়কৈদা পুরক্নবা হোৎনৈ। মতম পূম্বদা অচুম্বতনা মায় পাকই। অচুম্ববু ফংনবা হোৎনবদা ৱাখল চঙই। অৱাবা কয়া মায়োক্লে। হন্দক্কী কুকি লালহৌবশিংনা মীতৈ মীচমদা চথরল্লিবা থৌওং অসিদি নেসনল পার্টি অনীনা লৈঙাক পায়নবা হোৎনবদা কুকিশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবনি।

কুক লালহৌবশিংনা মীতৈ মীচমদা মীহাৎ-মীপূন চথরল্লিঙৈ মীকপ-মীলাওখোল মরক্তা পাঙথোকখিবা এম পি মীখলদা নেসনল পার্টিগী অরানবা, মীনম্বগী পান্থৈ কয়া তৌখিবা মীয়াম্না উরে। ঐখোয় মীয়াম্না খঙলবসু করিবু হায়বা ঙল্লিবগে? অরানবা কয়া-কয়া মিরাং মহুম্না য়োমখিবনা মীয়াম্না ৱানা ঙসি হিংলিবনি। মীয়াম্না ইশানা ইশাবু লুকমায়দা হাপ্তুনা হেক য়োল্লিবমখৈ ঐখোয় হেন্না হেন্না ৱাখিনি। ৱাবগী লোইবা নাইখিরোই। মীদিয়াদা ঙাঙলিবা, ইরিবা খুদিংমকপু মীয়াম্না কূপ্না খন্থবীদ্রবদি লৈবাকসি কনানা কনগনি, নৈনবীয়ু-খন্নবীয়ু। লুচিংবা ওইরিবা খুদিংমক্না মশাগীখক্তা খনবনা লৈবাকসি লৈখা তানা মাঙহল্লি। ঐখোয়না ঙসি লৈঙাক পুহল্লিবা অমুক হন্না মীরেপ ওইহন্দনবা ৱারেপ লৌগদবনি। মমা লৈবাক নুংশিবা খঙদবা, কাঙলূপ মশেল হাত্তোক্নরবা ফাওবদা তূমিন্না লৈশিনবা, ফম কোন্দুনা লৈরিবশিং মীয়াম্না খক কাউফদে।

ঙাঙবদসু, ইবদসু মতম পূম্বদা মচিন থীবনা কুকিশিংগী শরুক ওইরবা পাউচেশিংদা ফোঙলিবা ৱাফম খরা নীংশিংজরি। মীতৈশিংনা ইম্ফালদা কুকি জৌশিংগী মথক্তা এটেক চথরকপদগী চুড়াচান্দপুরদা ঈরাংসি থোকখিবনি হায়রি। অমনা অসুম্না ইরি, চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৯দা লোইখ্রবা 'সূ' অসি মখা তানা শাংদোক্নবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা দেল্লীদা ৱারী শানখ্রে। অদুবু ত্রাইপরটাইদ টোক ওইবনা 'সূ' শাংদোকপগী মীফম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিং লাক্কদবনি। অদুবু কনাসু লাকখিদে হায়না ময়েক শেংনা ইরি। ঐখোয়গী সী এমনদি শান্তি পুরক্নবা ৱারী শানখ্রে হায়রি। অদুগা কুকিগী 'সূ' গ্রুপশিংনদি মখোয়দি ৱারী শানখিবা লৈতে হায়না হন্না হন্না মীদিয়া কয়াদা ফোঙদোরল্লি। লুচিংবশিং লৈবাক মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক পায়খৎপীয়ু। অরানবনা য়ূম্ফম ওইবা ৱাফম কয়ানা মীয়ামগী মীৎতা উৎ চাইগনু।

মীয়াম্না য়াদ্রবা সূ শাংদোকপা হায়বা হীরম অদুগী মতাং খন্নবদা ঐখোয়গী মীহুৎশিং অমত্তা লাকখিদে হায়রিবসিবু লান অসি লোইশিনবা পামদ্রবরা? নখোয়দা লৈবাক সাসন তৌহনবসিদি কৈব্বুই কৈওইবশিংদা লৈবাক ঙাকহনবগা চপ মান্নরে। মীয়াম্না ঙল্লিবদি হৌজিকপু নখোয়না চৌক্রি কোন্দুনা তূমিন্না ঊচিনা মকোলদা লৈবগুম্না হিংলিবদুবু ইকায়দ্রা? মীওইবসি ঐগী রেস্পোন্সিবল মশক খঙদনা হিংলিবা মীওই অমবু কনানা ইকায়খুম্নবীগনি। মীয়াম্না নখোয়দা শিন্নরিবা মমল য়াল্লবা থৌদাংগী মগুন খঙদবা নখোয়বু করম্বা মখলগী জিবনো? নফম থাদোকউ হায়না মায়কৈ কয়াদগী লাউনরিবসিবু কনাদনো ইকায়দ্রা? ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মীতৈ এম এল এ, মিনিষ্টরশিং পূন্না ফম থাদোক্লগে হায়বা মতম য়ৌদ্রিবরা? মীতৈ মীচম হাৎকদবা কয়াম ৱাৎলিবগে? মীচম শিরগা য়েংদুনা লৈবা ঙল্লিবা মীহুৎশিং মণিপুরগী পুৱারীগী লমায়দা ইদুনা লৈহৌরগনি।

নখোয়না লৈবাক ঙাকপা হৈতবদগী নোংমগী চরা তান্দুনা শূ-নোমদুনা হিংজরম্বা নহাশিংনা মখূত্তা খূৎলায় পায়দুনা ইমা লৈবাক কন্নবা চোঙথোরল্লিবা অথৌবশিংবু করি মরাল লৈবগী ফাবা-পূনবা তৌগদৌরিবা? ৱাফমসি কুকিশিংনা অরানবা ৱাফম কয়া ইন্দিয়া লৈঙাক্তা অইবা ৱারোল কয়া থাবনা ওইগনি। কুমজা ১৯৪৬তা কুকিগী এপেক্স বোদি 'কুকি ইনপি' লিংখৎখ্রে। বোদি অসিনা থোকপা নোটিসনা অরোইবা ৱারেপ ওইরি। ঐখোয়গীনা অমনা অমা হায়দুনা পুনশিনবগী ৱাফম ঙসি ফাওবা লৈত্রি। ইলেক্সন মমাঙদা কোংগ্রেস পার্টিনা থোকখিবা মেনিফেষ্টোগী ৫শুবা পোইন্ট অসিনা মরম ওইরগা কোংগ্রেসতা পূন্না ভোট পীগদবনি হায়না কুকি ইনপিনা নোটিস অমা পাউচেদা হাপখি। মীয়ামদি ৱাফমদু ঙসি ফাওবা করি ইখিবনো খঙবা ঙমদনা চমম্নদুনা লৈরি। অইবা চেরোল অদু পুথোরল্লবা মতমদদি মরোল থোকখিদ্রে। লৈনুং চঙখ্রে। মসিনি ঐখোয়গী লমদমসিনা নেসনল পার্টিশিংনা অফবা অমত্তা তৌদে। নেসনল পার্টিগী লীলা শান্নফম প্লেটফোর্ম ওইরে। মীয়াম্না য়েংদুনা, পঙথদুনা মতম অসুক শাংবসি হিংলল্লি। ঐখোয় অসুম্না অসুম হিংখিগদ্রা? মীয়াম পঙথবীরগনু, মমল য়াম্বা মীওই ওইসি। অহোঙবা মীওইগী পূন্সি ওইগুমসি।

মীয়াম্না পূক্নিং ৱাখল লৈতাদ্রবা, ইমা লৈবাক য়েক্নবগী খূৎতা তাখ্রবা ঐখোয় হিংলম্বগী মমল লৈত্রে। ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরনা কবো ভেল্লি পীথোকখ্রে হায়বদা ঐখোয়না করি তৌবা ঙমখ্রবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং ওইরিবসিনি। অসুম্না হন্দক্কী অসিসু লানসি ঐখোয় মীতৈনা হৌবনি হায়না দাইরেক্ট হায়বা ৱাহৈ ইথোক্তুনা ফোঙলিবসিনি। চিননা ঙাঙবখক নত্তনা ইরগা ফোঙদোল্লি। ওফিসলগী রুলদি অইবগী ৱারোলদা ৱারেপ লৌখিনি হায়বসিনি। ঐখোয়না লান্দে হায়বনা কান্নরোই। অচুম্বা কয়াবু প্রমানগা লোয়ননা অচুম্বা ৱাফম ৱারেপ লৌরগা থাজিনফম থোকই। ওফিসকী প্রোসেস খঙবা মীওইশিংগা কূপ্না তানবীয়ু। লাইরিক য়াম্না হৈরে হায়রবসু ওফিস প্রোসেস খঙদ্রবদি লান্না চৎখিগনি।

ঙসি লৈবাকসিদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবসি য়াম্না লুরি। মীয়াম্না লৈবাকসিবু ঙাক শেল্লুনবা পাউখোল্লোই ওইনা খনগৎতুনা থাখিবা মীহুৎশিংগী ৱাহন্থোকসু লৈত্রে। সী এস ওশিংনসু ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্বগী মমিসু তাদ্রে। হৌজিক নোংমা নোংমগী লৈবাক্কী ফীভম শোকচিল্লক্লি। খ্বাইগী লুচিং পুরেল ওইরিবসিসু পুঙশিংগী ৱাঙাঙ ৱাচোয় ঙাঙদুনা দিমেন্সিয়াগী লায়না লৈবগুল্লি। লুচিংবদি ওইনীংলি, লুচিংবগী কোকসিদি ঙাঙথোরকপা, তৌথোরকপদা মীয়াম্না তাবা য়াদবা ঙাক্তা ঙাঙলি। অতাবা, অঊবনা ঐখোয় ওইনা লৈবাকসিদা হিংবা ইকায়রক্লে।

সিক্কিমগী চীফ ইঞ্জিনিয়র অমনা অসুম্না হায়রকই, থোক্লিবা থৌদোক অসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদু লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈত্রে, অদুদগী শোয়রিবনি হায়রকখি। মীয়ামসু ভোটতা শেল লৌবদি য়াম্না লাল্লি। ঐখোয় সিক্কিমদদি নেসনল পার্টি অমত্তা চঙহন্দে। ইশাগী পার্টি খক্না লৈবাক ঙাকপনি। ঐখোয়গী নেসনল পার্টি ২২ লৈ হায়বদা মখোয় ঙকপনি। নখোয় মীতৈদি শিংজু হায়বদু ওইরেনে হায়রকখি।

ৱাফম অমত্তং নীংশিংজহৌগে মদুদি ঙসি লংথবালদা লৈরিবা মণিপুর সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি করম্না লিংখৎখি অমদি শিলোংদা 'নেহু' করম্না থোনখি হায়বগী ৱাফম খরা থমজগে। ইন্দিয়া লৈঙাক্না ষ্টেট অমগী লৈঙাক্না অনীগী মরক্তা য়ান চেরোল লাকখিবগী ৱারী মীয়ামসু খঙবীরমগনি। খঙহৌদবশিংদা খজিক নীংশিংজবনি। অতেনবা মতমদা ইশাগী ইরমদমগী পার্টিনা পানবা মতমদা পাঙথোক্লম্বা খরনা ঐখোয় ঙসি হিংলিবনি। কুমজা ১৯৭২গী মতমদুদা অলিমউদ্দিননা সী এম অদুগা য়ূম্নাম য়াইমনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইবদা মণিপুরদা য়ুনিভর্সিটি অমা লিংখৎনবা হোৎনরকখি। মখোয় লম য়েংবা ৱাইথৌ, লংথবাল, লম্ফেলনচিংবা কোয়না চৎখি। লংথবালনা ফরে খন্নখি। য়ুনিভর্সিটি অমা লিংখৎপদা কন্দিসন য়াম্না চংই। লম, লাইরিক তম্ফম, ওজা ওইগদবা মী, লাইব্রেরি, হোষ্টেল, সিক্যুরিটিনচিংবা কয়ানি। ৱাফমসিদগী দেল্লীদা চৎতুনা ইন্দিরা গান্ধী উনখি। জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরম্বা গোপাল শ্বামি পার্থ সারথি উনরে। মহাক্না অসুম্না তাকপীরকখি ইনফ্রাষ্ট্রকচর য়াম্না চঙবনিনা জে এন য়ুগী মখাদা পোষ্ট গ্রেজুএট সেন্টর অমা থমসি হায়রকখি। ৱাফমসিগী মতুংইন্না লংথবালদা কুমজা ১৯৭২গী নবেম্বর ১৯দা যাত্রা হুনখি।

য়ুনিভর্সিটি লিংনবা কন্না হোৎনরিঙৈদা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট পূম্নমক পুনবা ইন্দিরা গান্ধী য়ুনিভর্সিটি, শিলোং কৌবা বিল অমা পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীথোকখি। পাউসি তাবদা য়ূম্নাম য়াইমনা দেল্লীদা খুদক্তা চৎলি। ইন্দিরা গান্ধী উনদুনা ঐখোয়গী ওইবা য়ুনিভর্সিটি অমা লিংনবা হোৎনরিঙৈদা শিলোংদা নোর্থ ইষ্ট অপূনবগী অমা লিংখৎপা তারবদি ঐখোয়গী ৱাফম কমদৌবা হংখি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর য়ূম্নাম য়াইমনা প্রাইম মিনিষ্টরদা অসুম্না হায়রকখি, য়ুনিভর্সিটি অসিনা শিলোংদা লিংখৎখিবা তারবদি হৌজিক পাল্লিবা লুচিংজরিবা লৈঙাকসি করিমত্তা কান্নদ্রে। ঐখোয় লোইনমক মন্ত্রি ফম থাদোকচরগে, তোকচরগে হায়রুরে। ইন্দিরা গান্ধীনা ঙাইহাক তূমিন লৈরগা ৱাখল খল্লদুনা হায়রকই, মণিপুরগী তোঙান্না পীনবা হোৎনরগে। নখোয় মন্ত্রি ফম থাদোকপা য়ারোই হায়রকখি। মখা তারকপদা মণিপুর থাবদু লৌথোক্লগা থোল্লম্বা মমিং ইন্দিরা গান্ধী য়ুনিভর্সিটি ওন্থোকখি। অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা চীংমী মচাশিং তমজনবা 'নোর্থ ইষ্ট হিল য়ুনিভর্সিটি' অশম্বদা 'নেহু' হায়না লিংখৎখি। ঐখোয়গীসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লিংখৎখি। খঙহঞ্জনীংবদি লুরবা মতাং অদুদা লৈঙাক পায়রিবা মন্ত্রি লোইনা ফম থাদোকচরগে হায়বদুনা মীয়ামগীদমক অৱাংবা থাক্কী মহৈ লোয়শঙ পুবীরকখি। অচৌবা মীয়ামগী খুদোলনি।

ইশাগী পার্টিনা পাঞ্জরিঙৈদা 'রিমস' লিংখৎনবা হোৎনরকপদা ওপোজিসন কোংগ্রেস পার্টিনা 'মী হাৎলনি' হায়দুনা য়াম্না থীনা হুন্দুনা ঙাঙবীখি। যাত্রা হুনবীখিবা মণিপুরগী গভর্নর শ্রী বি কে নেহরুনা অসুম্না হায়খি, 'ঐগী মিং ইদুনা যাত্রা হুল্লিবা নূঙ অসিদা লম্ফাং ওইবনিনা উরোক তোংশিন্দুনা মাগী অমাংবদদি তৈশিনবীগনু'। লৈঙাক্না অথুবা মতমদা শাদুনা মীয়ামদা খুদোল তমখি। হৌখিবা অফবা চাওখৎপা ৱারীশিং তারুরগা নেসনল পার্টিদি চাওখৎ থৌরাংগী অমদি লায়রবগী থাদরকপা শেনফমশিং হুরানবা, ময়ূম-মকৈ ৱাংনা শাবা, ওন্ন-তৈনবা মীয়ামগী করিসু খন্দবা ঐখোয়না মায়োক্নরি।

লোইশিল্লকপদা ঐখোয়না চাওরাকপা উজবদা কুমজা ১৯৬৭তা লৈঙাক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা ইমা লৈবাক নুংশিবা মচা কয়াগী অপূনবা লূপ অমনি য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) হায়নসু মীয়াম্না খঙনৈ। য়াম্না চেকশিন ৱাফম্না লূপসিদা হেক মীং চনবগা নুপী অমসুং নুপা থা ৬কী থাঙ তাগী ত্রেনিং অমা পাঙথোক্লি। মহৈলোয়শঙগী মমিং 'মৈতৈ হুইয়েন লাংলোন শিন্দম শঙলেন' হায়দুনা থন্মী। হেদ ক্বার্টরনা ইম্ফাল ইষ্টকী চিংনুংকোক হায়বা ফজরবা, নীংথিরবা মফমদুদা ওই। ইম্ফাল ইষ্টকী 'ওকসু' হায়বা মফমসিদা নুপী মমা ১০০/১০০না লাইনীংফম লিংখৎনবা হেৎনরি। হোৎনজরিবা খুদিংমক মথং নাইনা চাওখৎপা পীনবীরসনু। য়াল্লবা মীয়ামসিনা শাংলবা চহীসি মশা মশানা চেঙয়োম পুদুনা শাগৎচরকপা ওর্গনাইজেসননি। মীঙোন্দগী নীরগা শেমগৎলকপা লূপ নত্তে। অচুম্বগী লাংনা কুপশিল্লগা শেমগৎচবনি।

লূপ অসি লুচিং পুরেল মনিসনাগী অপোকপা সনাহল, নিংথৌ চুড়াচান্দ মহারাজ অমদি নেতা ইরাবত লাইওইখ্রবশিংনা হৌদোকপীরমখি। লমজিং লমতাকপীরম্মী। অচুম্বতনা মায় পাক্কনি। মীতৈ নোংশাগী পাঙ্গল লৌশিংতনা ইমা লৈবাক কলহৌরসি। অইবীনা পাউচেসিবু পাবীরিবা খ্বাই পূম্নমকপু লাপ্না খুরুমজরি। ●

# 'হৌজিক্কী মতমদা মহৈ-মশীন তম্বগা লোয়ননা লাইশু খঙবগী মরু ওইবা' - (২)

- লৈমপোকপম প্রেমেশ্বরী -

মমা-মপা ওইবশিংনসু লোৎশিল্লি, লৈঙাক্কী স্কুলদা লাইরিক নিংথিনা তমজবা কাজরকপা অঙাং ক্লাস আইট হেক লোইবগা মখা তমথদে, মখোয়না লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা চৎপা পামদে। মখোয়না অনানবা স্কুল শঙ, ফজবা প্লেগ্রাউন্দ ফজনা লৈবা, ক্লাসরুম নিংথিনা লৈবা, টোইলেট মতিক চানা লৈবা, তরু-তনানবা স্কুল পাম্মী।

মখোয় লাইরিক তম্বা তোকপদি পামদে। মখোয়গী ৱাখলদা মিদ দে মিল, স্কুল য়ুনিফোর্ম, লাইরিক লেম্না ফংবদু ৱাহন্থোক নীংথিনা খঙদবগী ওইরম্বসু য়াই।

ঐখোয়নদি রাইট ওফ চিলদ্রেন টু ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন হায়না হেক-হেক ক্লাস রূমদা হায়রিবনি। লৈঙাক্কী অনৌবা থৌশিল ময়াম পাঙথোক্তুনা স্কুলদা চৎনবা হৌরে অদুবু মায় ইপাক পাক্নদি উদে, মসি ঐখোয়না থেংনজবদা স্কুলশিংগী ফীভম, ক্লাস রূম মতিক চাদবা, নুপীমচা অমদি নুপামচাগী তোঙান-তোঙানবা মপাল থোকফম লৈতবা, ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্দবা, শান্নফম গ্রাউন্দ নিংথিনা শেন্বীদবা, নোং তাবগা লৈখোম থোকপা, নুংশা শারগা উফুল থাংবা, স্কুলগী কেম্পস অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংনা মোৎশিনবীবা, মরম লৈতনা হাংই হায়দুনা গাড়ীনচিংবা পার্কিং তৌশিনবা হায়রিবা ৱাফমসি লৈঙাক্কী স্কুল কেম্পসশিং অয়াম্বদা তৌই। মসি অফবা গুদ সিটিজন অমগী মওংদি নত্তে, অদুবু হৈনবী ওই। স্কুল মতমদা অকোয়বগী মীয়াম্না চে, উনা, অমোৎ-অকায় কয়াসু মৈ থাজিল্লকপা, মৈখু খুলহল্লকপসু য়াওদবা নত্তে।

স্কুলগী কেম্পসকী অকোয়বদা মিটর ১০০গী মনুংদা চুরুট, ক্বা, হীদাক মনাগী পোৎ চৈ য়োনবা য়াদে হায়বা ৱাফমদি লৈ। মসি অফবনি অদুবু হৌজিক অয়াম্বা স্কুল শঙশিংগী মমাঙদদি দুকান মরাং কায়না শাজিন্দুনা মখোয়গী শেন্দান লম্বী ওইনরি। মসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী থৌমীশিংনা য়েংহন্নীংবগী অপাম্বসু লৈজে।

মথক্তা পঞ্জরিবশিংসি অমুক্তং নীংথিনা য়েংশিনবীবা অমদি ওর্দর ওইনা থোক্তুনা মীপূম খুদিংমক ৱাখল তাহনবা অমদি লৈঙাক্কী স্কুলশিংবু অমুক্তং মপূং ফানা চিংখৎপীবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরক্কনি হায়না মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি অমসুং আশা তৌজরি।

ক্লাস রূম মতিক চাদবনা ঙসি লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তল্লিবা অঙাংশিং হৈথোই-শিংথোইবগী চাং ৱাৎপগী মরম অমনি হায়জনীংই। ওজাশিং অয়াম্বনা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মতম মতমগী ত্রেনিং কয়া পীদুনা লাল্লি। ত্রেনিং ফংলবা ওজাশিংনা মখোয়না খঙজরিবা খরদু অঙাংশিংদা নিংথিনা তাকথোক্নবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মফমদি ক্লাস রূমনি। ক্লাস রূম ফগৎহনবা হায়বসি লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙই। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থবক ওইনা তৌহনজনীংই। হৌজিক ওইরিবা লৈঙাক্কী স্কুলগী ফীভম য়াম্না শোকচিল্লে। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা অঙাং মশীং য়াম্না লৈবা স্কুলশিং খঙদোক্লগা স্কুল বিল্ডিং দিভেলপমেন্ট খরা তৌহঞ্জনীংই।

স্কুলগী অকোয়বগী ফীভম ফগৎলবদি স্কুলদুদা লৈরিবা ওজাশিং মথৌ নিংথিজনা তৌবা শোয়দনা ঙমগনি। স্কুল লাইব্রেরি রূম অমা লৈবা মথৌ তাই। দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা দি আই, এ আইনা ইন্সপেক্সন চৎপীবা মতমদা ক্লাস রূম, অঙাং মশীংগা চান্নরিবরা হায়বসু য়েংশিনজ হন্নীংই। মসিদা মথৌদা পূক্নিং চঙদবা ওজাশিং চৈরাক পীবদা করিসু কায়দে। ওজাশিং স্কুলদা মথৌ নিংথিজনা তৌবা ঙম্বা, খ্বাইদগী মতিক চাবদা রেগ্যুলর হেদমাষ্টর হাপ্পীয়ু, স্কুলগী টোইলেট লূ-নান্না মতিক চানা লৈবা, নুপীমচা, নুপামচাশিংগী তোঙান তোঙানবা টোইলেট মফম চানা থন্বীবা পামজৈ। মরী লৈনবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবশিংনা লৈঙাক্কী স্কুল কনবা ঙম্নবা তুংকোইনা চৎনগদবা চৎন-কাঙলোন য়াৎপীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

মহৈ তম্বগী খ্বাইদগী মরু ওইবা তাঙ্কক অমা ওইরিবা প্রাইমারি/অপ্পর প্রাইমারি ষ্টেজগী স্কুলশিংগী ফীভম কুপশিন্না য়েংবীবনা খ্বাইদগী মরু ওইনা খঞ্জে।

অমুক্তংদি ঐখোয় খুদিংমক্না হোৎনমিন্নদুনা অফবা মরূ চঙবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা ওজাশিংদা নত্তনা খুন্নাইসিদা লৈমিন্নরিবা মীপূম খুদিংমক্কসু শরুক য়াবীয়ু। মহৈলোয়শঙদি শেংলবা মন্দির, মসজিদ তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম জাৎকী খেন্নবা থমদবা মফম অমনি। মসিবু ঙাক শেন্দুনা চাওখৎ লম্বীদা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা মীয়ামগী অশেংবা মফম অমা ওইহনমিন্নসি।

মীয়াম্না মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাফমসি অমত্তা ওইনা ৱাখল তামিন্নদুনা ঐখোয় ঐখোয়গী অশোয়বশিং শেমদোকমীন্নরবদি ঐখোয় লোইনা লাইশু খঙবা সিটিজন অমা ওইরে হায়বা য়াই।

লোইশিল্লকপদা ওজা অমনা অসুম্না তাকপীরম্মী :-

১) নহাক্না খুদোংথীবা লাকপা মতমদা ঙাকথোক্নবা হোৎনবা।
২) মীনা ঙাঙবদা শাওদবা।
৩) ইশা ইথন্তা হিংবা ঙম্ননবা হোৎনজগদবনি।
৪) মতম চানা থবক তৌবা তমগদবনি।
৫) অফবা হৈনবী লৈননবা হোৎনবা।
৬) মী অমনা ঙম্বা থবক্তা নঙসু ঙম্নবা হোৎনগদবনি।
৭) মীনা মীবু ইকায়খুম্নবা উৎপা।
৮) য়াম্না শাওনীংবা পোক্লবদি শাওবা ফননবা হোৎনগদবনি।
৯) ইশাগী হৈনবা শিনফম খঙদোকসি।
১০) মহৌশাগা মরী তৎনগনু। ●

# থৌদোক-ৱাথোক থোকপদা চৎকনবা-চৎকন্দবা মীওই

- থিংবাইজম ইতোবী -

মমাঙঙৈগী মতমদা, থৌদোক-ৱাথোক হায়বদি অনা-অয়েক, অশি-অনা, লুহোংবা অসিনচিংবা কয়া থোকপদা লায়র-ইনাকখুনবা খাইদনা চৎনরম্মী হায়না অহল-লমনশিংনা হায়নরম্মী। লৈকায়দুগী থৌদোক অমা থোকপদা য়ূমথোঙ খুদিংগী মীওই অমনা ৱা অমমম পুনরল্লগা মান্দব খন্নরম্মী। হৌজিক্তি কনাগুম্বা মীওইনা লায়রবগী থৌদোক্তা মাগী নুপী ওইনা চৎহনবা, ইনাক খুনবগীদনা মশামক চৎতুনা শেলসু থাবা, পোৎয়েংসু চাউনা পীবা মীওই লৈতবা নত্তে। মশাগী থৌদোক লোইদ্রিবা ফাওবদি মীগী থৌদোক-ৱাথোক্তা অমত্তা চিংখদনা চৎলগা মশাগী থৌদোক পূম্নমক লোইখ্রগনা মীগী থৌদোক-ৱাথোক থোক্লকপদা কাউশিন্নরগা চত্তবা, চৎকন্দবা মীওইসু লৈতবা নত্তে। চৎলগসু মাগী নুপী চৎহনবা মীওই লৈতবা নত্তে। কনাগুম্বা মীওইসু লায়র-ইনাকখুনবা খাইদনা থৌদোক ৱাথোক চৎকনবা য়াওদবা নত্তে। কনাগুম্বা মীওই, মশাগী থৌদোক্তা লাক্লম্বা মীওই অদুগী থৌদোক্তা মশাসু অনা-অয়েক লৈতবা, অচিনবা মরমসু লৈতবা মীওই অদুনা অশি-অনা, শোরাৎ, যজ্ঞনচিংবা থৌদোক্তা অয়ূক অঙনবদা পোৎয়েং পীথোক্লম্বা, লুহোংবদনা নোঙাল্লগা লাকপা মীওই য়াওদবা নত্তে।

কনাগুম্বা কেন্দ্রগী মন্ত্রি, এম এল এশিংনা মাগী ৱার্করশিংগী থৌদোক থোকপদা চৎপা, ৱার্কর নত্তবনা চত্তবা, অশিংবা, সেকেন্দ থোট লৈবনা মাগী ৱার্কর অমদি ৱার্কর নত্তবসু চৎপা য়াওদবা নত্তে। কনাগুম্বা লৈকায়গী ভাবোক ফম্বা অহলনা লায়রবগী থৌদোক্তা শেল তারোই খনবদগী চত্তবা অদুগা ইনাক খুনবগী থৌদোক্তনা চৎপা ভাবোক য়াওদবা নত্তে। অশি-অনা-অয়েক্তা লায়রবগীদি হংদবা, ইনাকখুনবগীনা চৎপা অহল লৈতবা নত্তে। কনাগুম্বা লৈকায় অদুগী অহল-লমনশিংনা লৈকায়দুগী অশিবা য়াওরে খঙনা-খঙনা হংবসু চত্তবা, চেবাউসু পীরক্তবা অহল অদুনা সোরাত্তা ঙন্তানা লাক্লগা ভাবোক ফম্বা য়াওদবা নত্তে। কনাগুম্বা মীওই নহানা চহীগী মতুংইন্না লাকচগদবা ভাবোক, ঙাইঙমদনা ভাবোক ফমগনি খন্দুনা চৎলগা ফমহন্দবসু য়াওদবা নত্তে। সর্ভিসতা লৈরিঙৈদা মরুপ মপিজা চেবাউ পীনরগা চৎনরম্মী। অদুবু থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা চৎকনবা-চৎকন্দবা য়াওদবা মীওই লৈতবা নত্তে। কনাগুম্বা মীওই নুপী মপাম্না য়ানবা য়াম্না তোয়না চৎপা য়াওদবা নত্তে। মরম লৈতনা চত্তবা, থৌদোক থোকপদমক চৎপা মীওইসু য়াওদবা নত্তে। কনাগুম্বা ময়ূম পান্দ্রিবা অঙাংনা মমান্নবগী থৌদোক্তা চৎলগা ময়ূম হেক পানবগা কাউশিন্নরগা মমান্নবগী থৌদোক্তা চত্তবা য়াওদবা নত্তে। কনাগুম্বা মীওইনা মচা ফহন্নীংবা, ফাওহন্নীংবদগী অঙাং ওইরিঙৈ মপান লমদা থম্লুবদগী লুহোং খোংদোংবা থোক্লকপদা মচাগী বর মমান্নবা, কৈনাগী মমান্নবী নেক্লগা লুহোংবা য়াওদবা নত্তে। লোয়ননা মীরমগী সিটিজেন ওইখিবা য়াওদবা নত্তে। মচা পোকপগী মহয় চাদবা মীওই য়াওদবা নত্তে।

ঐখোয় মীওইবনা তাইবঙপান্দা মী ওইনা পোক্লবদা শিবা হায়বসি নান্থোকপা, লৈথবা য়াররোইদবনি। মতাং অসিদা নীংশিংলকপা অমনা লৈখিদ্রবা ওজা কলাচান্দ সাস্ত্রিনা ক্লাসতা ইচাশা-ইশুশা অশিবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী তুংদা ইন্নরগা চৎপনি হায়বীরম্বা, লৈখিদ্রবা ওজা জি সী তোংৱানসু ক্লাসতা ইচাশা-ইশুশা লম্বী লমখাংদা নুপী অঙাং লক্নরুনুকো, হয়েং তুংদা নতৈমা, ননাওনুপী ওইরকপা য়াই হায়বীরম্মী। ওজা অনী অসিগী পাউতাক অসি য়াম্না ৱাহন্থোক লৈ। ইজরিবা ঐগী ৱাখলদা কনাগুম্বা মীওইনা শিনি কাউরগা অমরনি খন্দুনা মানা-মানা পামজবা ৱাখলদা চৎনরিবা মীওইবনি, অদুবু অহল-লমন, লাই-গুরু জোন্না মীওইবা খুদিংমক লোইনা ঙাওই, মঙাও থিন্নদবগী ৱানি হায়বিরম্বসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু কনাগুম্বনসু শিগনি খল্লবদি চৎথোক্লুরগনু, অহিং তূম্লুরগনু হায়বসু য়াওদবা নত্তে। মীওইবা কনা অমনা মচা-মশু ফরে আই এ এস, আই পি এস, ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, কনা অমনা এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরে, কনা অমনা সম্পতি, লৌ-শিং, দুকান য়াম্না লৈরে, কনা অমনা থাগী শেন্দোয় য়াম্না লাক্লে, কনা অমনা লৌশান ফৌবোৎ ৩০০/৪০০ লাক্লে, কনা অমনা য়ূম মথোল, দুকান মথোল য়াম্না ৱাংলে, কনা অমনা মচা-মশু চাক পুল্লপ চামিন্নবদা, কনা অমনা চাক পুল্লপ চামিন্নরম্লগা তোঙান চাবদা, কনা অমনা নিশাদা, হুরান-চিন্থিদা, ওইদবা ঙাঙবদা, কনা অমনা ভাবোক ফম্বদা, অতাবা শেল থিবদা, কনা অমনা নুপী লোনবদা, কনা অমনা লীলা-পলা, ঈশৈ-নোংমাইদা, কনা অমনা লাই নীংজবা, শোঞ্জবা, কনা অমনা এঞ্জাং মনম লোন্নবদা থাদোকপদা, কনা অমনা মশাগী অশোয়বদি খঙদনা মীগী অশোয়বা থিরগা ঙাঙবদা, কনা অমনা মশাগী লৌফমদা মরেক তাদ্রগা, লৌরোন্নবদা মরেক তাবদা, কনা অমনা লাই-তীলগী অহল-লমনগী উসব কৎপদা লাকপীরিবা কাঙবুনা পেন্না-নুংঙাইনা চৎখিবদা, কনাগুম্বনা সর্ভিসতগী আর আর ৱাংমগী মতুংইন্না প্রমোসন কাবদা, কনা অমনা রিৱার্দ ফংবদা, কনাগুম্বনা কেস তৌনবদা কেস ঙম্বা, কনাগুম্বনা লৌবুক্তা লু থুম্বদা পিক থন্না চঙলম্বদা, কনাগুম্বনা লৌ য়ৈবদা মানা খল্লম্বা ফৌবোৎ অদুদগী হেন্না থোকপদা, কনাগুম্বা বর মপানা মানা পামজবা কৈনানা লৈ হুকপদা অসিনচিংবা নুংঙাইবা মখল য়াম্মী। মীওইবা হায়বসি মায়থোঙ, শক খেন্নবগুম, ৱাখল, থম্মোয় খেন্নে হায়বসি ইজরিবা ঐগী ৱাখলনি।

অরোইবদা, মীওইবা হায়বসি শক খেন্নবগুম, থম্মোয় খেন্নবগুম নুংঙাইবা, অৱাবসু খেন্নে। নুংঙাইবা মখল য়াম্মী, অৱাবসু য়াম্মী। অনাবা লায়েংলগদি ফগদবা, শেল লৈতবদগী লৈখিদবদা হোরেন, হয়েংগী চাকখুম মৈ মুৎকদবগী মচা মশু শেম্বা ঙমদবদগী অসিনচিংবা কয়া অৱাবসু মখল য়াম্মী। মীওইবা হায়বসি কপ্পা, নোকপা লায়রবা-ইনাকখুনবা মচিল মনাওনি হায়না অহল-লমনশিংনা হায়নরম্মী। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্না লাইচুরবা সেন্টরদা থম্বা ঙমদবা মপা-মমানা ৱাবা, শেল পুরগা শেন্দোয় পীবা ঙমদবগী অৱাবা, অদুবু খ্বাইদগী হেন্না ৱারমগদবা অসি সংসার থাদোক্লমদাইদা মচা-মশু ফীভম চাহৌদ্রবা ইরমদম মণিপুর অসি তুংদা করম্বা ফীভমদা লৈহৌগদগে হায়না খনবনা খ্বাইদগী আবা ওইরমগদবা মাল্লি। খ্বাইদগী নুংঙাইবনা লৈকায়গী, মীয়ামগী অচৌবা ৱাথোক অমা মঙ্গল ওইবা, থবক ওইনা পাঙথোকপদা লৈকায়না, মীয়াম্না মঙ্গল পীবীরকপা, নুংঙাইবা ফোঙদোকপীরকপা অদুনা খ্বাইদগী নুংঙাইবনি হায়না লৌজে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪

১) **"বোমা তাদুনা লৈবাক কাইনখিবদগী ফোংবা ঙমদদুনা লৈরুবনি। মরুপ মপাং ময়াম্না ঐগী লাইরিক অতৈ পাবিরগা পিবিরকপা উৎসাহদগী লাইরিক অসিমসু ফোংবা ঙমজরি।"** মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা পনবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২) "The Recluse in Solitude Speaks" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **"অহিং অমগী ৱারী"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মপানগী অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে অমসুং কনানা ইবনো?

৪) **"হোচীমিনগী মঙালদা ঙাওজরুই"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **"নীংশিংবগী পোত্থাশঙ"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।